# “লৈচিল্লক্কী থাজ নঙবু, থারিকথানা য়েংলিয়ে”, ঈশৈ অসিগী শৈশকপা থোঙাম ইবোচৌ

*- নানি*

মণিপুরী মতম ঈশৈ হায়বা অসিগী মমাঙদা খঙনরম্বা অমদি থোনবীরম্বা মিংথোল অসি অধুনিক হায়বা অসিনি। তশেংনমক অধুনিক ঈশৈ অসিবু য়োকখৎলকখিবা অমদি মসিবু মীয়ামদা হেন্না পোপ্যুলরাইজ তৌরকখিবদি ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফাল অসিনি। মণিপুরদা ষ্টেসন অসি লৈরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা গুৱাহাতিদা অতেনবা মতমগী ওইবা মণিপুরী প্রোগ্রাম মচা অমা থন্বীরম্মী। মতম অদুদা লমদম অসিদগী মতমদুগী মমিং লৈখিবা শৈশকপা খরনা চৎতুনা ঈশৈ রেকোর্দ লৌদুনা শন্দোক্লম্মী। অসুম্না য়াম্না তাঙনা এ আই আর, গুৱাহাতিদগী ঈশৈ শন্দোরকপদগী ঈশৈগী পোপ্যুলরিটি অসি লৈরকখি। লোয়নননা মীয়াম্না পাম্বসু হেনগৎলকখি। অসিগুম্বা ফীভম অসি অমুক লাক্লবা হোৎনবদা মণিপুরী ঠিএটরনা (ময়াম্না দ্রামা হায়না খঙনবা) অসিনা অমুক ঈশৈগী থৱায় অসি হাপ্লকখি। দ্রামা খূদিংগী য়ামদ্রবদা ঈশৈ মরি মঙা, করিগুম্বদা অনী অহুমদগীদি তাদনা শক্লরম্মী। মতমদুগী ঈশৈশিং অদুসু অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওইখি। ষ্টেজদা দ্রামাদা শক্লম্বা ঈশৈ খরা অমদি গ্রামাফোন রেকোর্দ ওইনা নমদুনা পুথোরক্লরকখি। অসুম্না মতম ঈশৈগী শাহৌ অসি খঙহৌদনা ফগৎলকখিবদি, ১৯৬৩দা মণিপুরদা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী ষ্টেসন হাংদোক্তুনা চাং নাইনা থৌরম শন্দোকপা হৌরকপদগীদি ইহান হানবা ওইনা নুমীৎ খূদিংগী চাং নাইনা শন্দোরকখিবা থৌরমশিংগী মনুংদা **অধুনিক ঈশৈ** হায়বসি মরু ওইখি। মতম অসিদা ঈশৈদা থৱায় য়াওজবা, ঈশৈ শকপা, ইবা, কম্পোজর কয়াগী অনৌবা য়েন্নিং হুনবগুম তৌখি। তৌবতবু মতম অদুদগী রেকোর্দ ওইনা নম্বগী খুদোংচাবা এদভান্সদ টেক্নোলোজি অদুমগী খুদোংচাবদি খরা ৱাৎখি। অদুনা লাইভ ওইনা ঈশৈ শক্তুনা প্রোগ্রাম শন্দোরকখি। শোয়বসু য়াদবা অমা ওইবনা য়াম্না চেকশিন্না, ঈশৈ শক্লিবশিংনা য়াম্না লুনা লৌদুনা ঈশৈ অসিবু য়োকখৎলকখি।

১৯৭০ য়ৌরকপদদি অধুনিক ঈশৈগী মশা মরেং অসি অসুক্কী মতিক ফন্দোরকখ্রে। মতম অদুদা শাগোন্নদুনা লাকখ্রবা শৈশকপশিং ঐখোয়না ঙসি শীংথাদবা য়ারোই। মণিপুরী মতম ঈশৈগী খোঙহৌ মমাঙদা কয়া অমা লৈখ্রবসু, ১৯৭০গী তাঙ্কক অসিদগীদি ঐখোয়না খুৎ থেক্তুনা মসিবু লৈবাক শীনবা থুংনা পোপ্যুলরাইজ তৌরকখিবা আর্টিষ্টশিং ঙসিগী মীরোল অসিনা মমল লৈনা লৌবা মখোয়বু নীংশিংবা, মখোয়গী থৌদাংবু শীংথাবা হায়বসি মীরোল অসিনা তৌফম থোকপনি হায়না লৌজে। ১৯৭১দগী হৌনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা এপ্রুভ সিঙ্গর অমা ওইনা ওদিসন পাস তৌদুনা ঈশৈ লান্থোরকপদা চঙখোনবা মীশক অমা ওইরকখিবা মীশক অমগী তেন্তকপা মপাউ অমা ঙসিগী কলম অসিদা পুজরক্লি।

থোঙাম ইবোচৌ সিংহ, শীংজমৈ থোঙাম লৈকায় লেন নম্বর ৩ দগীনি। অপোকপগী মিংনা থোঙাম চানবী হায়রগসু খঙনবা, নিলচান্দ কৌই। অপোকপীগী মিংনা শৌগ্রাকপম নিঙোল থোঙাম ওংবী সখিতোম্বী দেবী কৌই। অপোকপসি য়াম্না মমিং চৎপমক নৎত্রবসু নহা ওইরিঙৈদা সিতার খোংবা য়াম্না পামজবা, সিতার প্লেয়র অমা ওইরম্মী। লৈখিদ্রবা মণিপুরী ফিল্মগী মমিং লৈরবা এস এন চান্দ অসিমক অহল অসিগী ঈশৈগী মহৈরোয় ওইরকখি। অদুগা থোঙাম ইবোচৌনা ঈশৈ পাম্না চঙশিল্লকপা মতমদসু অপোকপনা তাকপীদুনা এস এন চান্দগী মফমদগী ইহান হানবা ওইনা ঈশৈ তম্বা হৌরকখি।

অসুম্না ঈশৈ খরা তম্লবা মতুংদা ম্যুজিক কোলেজদা চঙদুনা ঈশৈ মখা তানা তম্লকখি। ক্লাস এলেবেন তম্লকপা মতমদা সনসম ইবোপিশকনা তম্বীবা ঈশৈ অমা তমজদুনা কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা হৌরকখি। মেত্রিক পাস তৌরবা মতুংদদি, ওজা সোইবম ইবোতোম্বীগী মফমদগী মখা তানা ঈশৈগী পরিং নাইনা তমথখি। মতমদুদা অমর কালা মন্দির হায়বা ঈশৈগী গ্রুপ অমা ওইরিবা অসিদা শরুক য়ারকখি। ১৯৭১গী ফেব্রুৱারী থাদা অহানবা ওইনা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ঈশৈগী ওদিসন য়াওরুবদা এপ্রুভ তৌরক্তুনা চহীদুমক্কী এপ্রিল থাদগী হৌনা রেদিওদা ঈশৈ শক্লকখি। *“ঐগী থম্মোয় পীঞ্জরানুংদা, পোম্বী নঙবু য়োকচগে, ঐগী নুংশি ৱাহৈনা, তাইবং মীরোল তম্বীগে”; “নুংশিরুবা ঐনা পামজরুবনা লাল্লে, থম্মোয় ঐদি কায়হৌরে অহানবমক্তদা*



*(শৈরেংবা জি চাওবীসনা শর্ম্মা)”*, হায়বা ঈশৈশিং লান্থোকপা হৌরকখি। ঈশৈ অসিগী মতুংদগী শৈশকপা অসি পোপ্যুলর ওইবা হৌরকখি। অসুম্না মথং মথং মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়া শকপীরক্তুনা মণিপুরী মতম ঈশৈগী অনৌবা লামায় কয়া মথং মথং হাংদোকপা হৌরকখি। লোয়নননা ঈশৈ খূদিংমক ষ্টার মার্ক থমদুনা অনৌবা থৱায় অমা হাপ্পা ঙম্লকখি। মসিমক হীরম খূদিংদা মায়পুননা থবক তৌবীরিবশিং মায় পাকপা হায়বা অদুনি। থবক খূদিংমক চেকশিন্না হোৎনরিমখে মায় পাকপগী মায়কৈরোমদা চঙশিনবা ঙমগনি হায়বসি শৈশকপা অসিগী থাজজবনি। মরম অদুনা ঈশৈগী লম অসিদা অনৌ অনৌবা ঈশৈ কয়া কম্পোজ তৌনবা হোৎনরকপদা য়াম্না চঙখোনবা অমদি থম্মোয় শেংনা নুংশিনা ঈশৈগী থৱায় হাপখিবা অদুনা মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়া অমসু পুথোরকপা ঙমখিবনি। শৈশকপা অসিগী মমিং লৈরবা ঈশৈ খূদিংমক্কী হৌরকপসি অলাপ অমমম শোয়দনা য়াওই। মসিমদি থোঙাম ইবোচৌগী ঈশৈগী সিগনেচরনি। অতোপ্পা শৈশকপশিংসু অদুম তৌনৈ, অদুবু শৈশকপা অসিগীদি মসি য়াম্না মরু ওইনা ঈশৈগী থৱায় অসি ঈশৈদুগী অলাপতা ওইনা হাপ্পবা হোৎনৈ হায়না থম্বীরকখি। চান্দম শ্যামাচোরোননা ইবা, ***“ লৈচিল্লক্কী থাজ নঙবু, থারিকথানা য়েংলিয়ে, ইখৌ লাঙবা চেক্লাশিং, ইঙা নোংজু ঙাইরিয়ে; তাম্না তাম্না খুন্দোন্দা তৌদ্রি বাঁসি খোংলিয়ে, নিঙোল ওইবী সানৌশিং, সনধ্যাগী ধুপ কৎলিয়ে; পলেম শকপী মচেমনা, মদুনিংথৌ পোরিয়ে, নাওসুম ঈশৈ শক্লদুনা, মালং ইচিক থেল্লিয়ে; লবুক লক্ষাং চীংয়া তময়া, কোয়না তন্দন পাইরিয়ে, গোবিন্দগী শরিক খোঞ্জেল, নুংশি নুংশিনা তারিয়ে”*** হায়বা ঈশৈ অসিগী অলাপ অমদি মখা তারকপদা ঈশৈ অসি ইতোপ তোপ্পা অনৌবা মহাও অমা মীয়ামদা পীবা ঙমখি। তশেংনমক্কী ঈশৈ অসি ১৯৭১গী জুন থাদা ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী থাগী ঈশৈ ওইনা ওইনাম নিংথেমজাওনা পুথোক্তুনা শকখিবনি। ঈশৈ অসিনা মতম অমগী খুন্নাইগী মশক, কলচর, সিভিলাইজেসন অমদি পুন্সিরোল ময়েক শেংনা উৎলি। ঙসিসু ঈশৈ অসিগী মরু ওইবা কয়া অদু লেঙদনা লৈরি। ঙসিসু ঈশৈ অসিগী মহাও মীয়াম্না কাউবা ঙম্নদ্রি অমদি অনৌবা মীরোলনসু ঈশৈ অসিগী মহাও তঙলি।

থোঙাম ইবোচৌ শৈশকপা অসিনা মমিং লৈনা মীয়াম্না পাম্নরকপা মতম অদুৱাইদা লৈকায় লৈকায়দা কৌদুনা ঈশৈ শকপগী থৌরমশিং লাঙবা হৌরে। ত্রিনাথ হায়দুনা মহাদেব ইরাৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা শক্লরম্বা অদু, লাইগী ঈশৈ মরোল অমা লোইরবা মতুংদা অধুনিক ঈশৈগী থৌরম অসি পাঙথোক্লরে। মতাং অসুৱাইদা লৈকায় লৈকায়দা চৎতুনা মাঙ্গোলদা নৎত্রগা সঙ্গোয়দা ফক অমা থাদুনা ঈশৈ শকপসি চৎনরকপা মতমদা মপুং ওইবা শৈশকপা অমা ওইনা হৌরকখ্রে। মতমদুগী মমিং লৈখিবা শৈশকপা খরা হায়বা তারবদি- মাইবম মাইমু, অহৈবম শ্যাম, থোঙাম ইবোচৌ, সুশিলা, মেমা, যমুনানচিংবশিং পনবা য়াই। শুপ্নগী মাইক্রোফোন অমগা পেত্রোমেক্স অমা থাল্লগা, তবলা য়ৈবা অমা, করিগুম্বদা গিটর খোংবা অমা য়াওবসু য়াওই, য়াওদবসু য়াওই। হার্মোনিয়ম অমা য়াওরবদি ঈশৈগী ফজবদা লোইরে।

শৈশকপা অসিগী মমিং লৈরবা ঈশৈ খরা পনবা তারবদি- *“তরামরিনিগী থাজ মানবী, নুংশি চেংলৌ নীংথিবী, উদ্রগা লৈঙমদে থম্মোয়সে, নঙগী ৱাখলনা ককঙাওনরে” (শৈরেংবা জি চাওবীসনা শর্ম্মা), “তূমহল্লো ঐবু মোংফম লৈরোন্নুংদা, মঙলানসু মঙদনবা, মীকপসু থোক্তনবা”, “থাবল ফরবা অহিং অসিনা, তূমহন্দরে ঐহাকপু” (শৈরেংবা- কে সী নন্দ)”, “লায়র মচা ওইরবসু, ভিখ্যা কোয়না চৎলবসু, নঙবুদি ঙমগনি থমজবা, রানিগুম্না থম্মোয়দা”; “নুংশিজৈনে ঐনা নঙতবু, পামজৈনে ঐনা নঙতবু, নঙ ঐ পুন্সিগী ওইনা শেল্লসি নুংশি লৈপুনদো”*মসিনা লোইবা নত্তে, য়ামখ্রবা ঈশৈনি। লোয়নমক্কী মমিং পনবা ঙমজদবা অসিগীদমক ৱারৌবীরোই। হৌরক্লিবা নহাশিংদা পাউজেল পীরদুনা শৈশকপা অসিনা থম্লক্লি- *ঈশৈগী লম অসিদা থৱায় য়াওনা চঙশিনগে হায়রবদি, থৱায় য়াওনা নুমীৎ খূদিংগী কাঙলোন চুম্না শুরগী শাজেল নীংথিনা তৌবা চঙই। মতম অসিগী টেক্নোলোজিগী খুদোংচাবা লৌরগা ঈশৈ শুর চাদ্রবসু শেল্লগা শকখিবদি য়াই, অদুবু মীমাঙ থোক্লগা শক্লকপা মতমদদি মশাগী অশোয়বা কয়া অদু ইফোং ফোংনা থোরক্কনি। মতম অদুদা টেক্নোলোজিনা কনবীবা ঙম্লোই। মরম অদুনা ঈশৈ শুর চানা শক্লবা, খোঞ্জেল ফনা থম্নবা চাং নাইনা শুরগী সাধনা তৌবা অমা মথৌ তাই”*।

শৈশকপা অসিগী মরমদা ইবদা অপীকপা কলম অসিদা খোগোপ্পা ফোঙদোকপা ঙম্বগী তাঞ্জা লৈজদ্রে। তেন্তক্লা থমজরিবা অসিগী মতুংদা খুদোংচাবা অমদা অনৌবা ৱারী অমদি ঈশৈ কয়া শেম্বগী ৱারী ৱাখোংগা লোয়নননা মখা লাকপা ঙম্বা ওইজগে।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৬।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
ইঙাগী ৬ পানবা।

**মেষ:** মাঙলোমদা চংশিল্লু, মীনা লাকচবা ঙমলোই, নচা-ননাই চাওখৎকনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওগনি। অশাওবা অমদি চরাংনবনা মাঙজবদি লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** ৱাফংনবদা ঈকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াবা লৈ-ৱা ঙাংদবা ফগনি। ইমুং মনুংগী মতেংনা শেল থুমদা কান্নগনি, থবক্তা য়েৎলম্বা কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনীংবা ফোংদোকপা য়াদ্রি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন:** লমদৈ কান্নবা ফংজবা, খল্লুদবা ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি অপনবা লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। চরাংনবা অমদি অহৈ অপা শাবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** নীংবা মপা চাগনি, শেন্দোং য়ামগনি। শেল, মীয়ামগী মতেং অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। নাপল অমদি হন্থবা লোয়নবনদি মাঙজবা মথং মথং লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** থবক থানা শিন্দোকপা হৈগনি, নচাক নরলসু অফবা থৌরমদা থাদবা মতাং চাই। পল্লম্বা অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈরে। মরুপ অমদি অঙম্বনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। থবক পাঙগনি, লন চংগনি, য়েৎলম্বা ফরনি, মরুপ মপাং মরাং কায় অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** ৱাখল থোক্কনি, থবক পাঙগনি, অনৌবা অশাগা লোয়ননা পাঙবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। ইরাং পুবা অমদি মীতোপ থাজবনদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মৈনা তাথিবা, অনম তানবা য়াদবা, মীয়ামগা মরী ইফৎ ফত্তবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা চৎচরবা, অনৌবা থবক পায়দ্রবা, ঈরাং পুদ্রবা মাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**ধনু:** খাঙবা কনবৈ অফবা মফম কঞ্জবা, য়েৎনরম্বা লৈরসু কোকচবা অমদি অফবা মীংচৎ তানবসু মায় পাকচবা নুমিৎনি। অশাওবনদি তাথিবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙ শকপদি রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** নীংবা থুংগনি, মীচং হেনগৎকনি, ইমুং মনুংগী ৱাতমক তারগা থৌপাঙউ, অনৌবা থবক্তা খুৎচাও থারো। য়েৎনবা অমদি মীৱা লৌবদি চাওনা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** নীংবা থুংবৈ নুংঙাইজবা, য়েক্লববু ঙমজবা, মরুপ মপাং অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা নুমিৎনি। লমদগীসু নুংঙাইবা পাউ তাগনি। নাপলনদি মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** পুক্লিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি। ইচং থৌবা, ৱানোম থৌনোম্বা অমদি হোয়া ফবা মতাং অমত্তা চারোই। ইমুং মনুংগী ৱা তারদি চাওনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং লৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ‘পোৎফম ফম্বীদগী মোবাইল, শেনগাও লাক্তুনা চেনখিবা লাইবক থীবনি’





ইম্ফাল, জুন ০৪ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জুন ১গী নুমীদাংদা ন্যু চেক্কোন, ওপোজিৎ এস বি আই এ টি এমদা বেক্করিগী অচাপোৎ য়োন্দুনা হিংনবগী লানফমদা মায়োক্লরিবী পোৎফম ফম্বী অরিবম তোম্বীসনাগী পোৎফমদগী মোবাইল ফোন অমদি শেল হাপ্পা শেনগাও লাক্তুনা পুরগা চেনখিবা অসিমক খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)গী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখ্রে হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাফম অসি ঙসি এল এম জি মণিপুরগী এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা লুচিংদুনা চৎখিবা তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখিবনি। তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম অমদি গ্রুপ অসিগী মেম্বর সোবিতা মাইবম, মংশাতাবম কুঞ্জেশ্বর অমদি বোইনাও মাইবমসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নোংমগী শুরগা চাজবা মমা-মচা খক্তং লৈজবা অসিগুম্বা ইমুং অসিদা তারিবা অৱাবা অসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোকনি। পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিংদগী অসুম্না নমথাক তৌবীবগী থৌওং অসি মমাঙদসু কয়ারক থোকখ্রে। থৌওং অসি দ্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া লমদম অসিদা মরাং কায়না লৈবগী খুদমনি। লৈঙাক্লসু চেন্নবা মীওইশিং ফাবীদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা চৈরাক অদুসু পীবীয়ু। লোয়নননা পোৎফম ফম্বী ইমা-ইবেলশিংনসু য়ারিবমখৈ ইশা-ইশাগী শেলগাও অমদি অতৈ মরুওইবা পোৎলমশিং য়াম্না চেকশিন্না শাগোন্নবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদু লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরগী ৫৩রকশুবা খোঙচৎ অমনি। অৱাবা নংহৌরিবী অরিবম তোম্বীসনানা গ্রুপ অসিনা তেংবাঙবদা অপেনবা পোক্লদুনা ফোঙদোরকখিবদা, নোংমগী শুরগা চাজরিবা ঐহাক্কী ইম্ফালদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগুম্না মখা তানা মণিপুরগী মফম অমত্তদা থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু। ইমা-ইচাদং লৈজরিবা ঐহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা লাইক মাইন্দেদ গ্রুপনা খুদক্তা লাকপীদুনা মতেং পাংবীবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়নননা অপেনবা পোকই হায়খি।


নীংশিংবা য়াবদি, লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ অসি চহী ১ রোমতা ঙাইরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিস গ্রুপ অমনি। থা ১দা শুপ্নতংগী লুপা ১০০/১০০ খক্তং কন্ট্রিব্যুসন তৌদুনা শেমগৎলিবা গ্রুপ অসিগী মেম্বর ওইদুনা লমদম অসিগী অৱা-অনা তোল্ল-তারবশিংগীদমক মখা তানা লেপমিন্নসি হায়নসু গ্রুপ অসিগী এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা লৈবাক মীয়ামদা আপীলসু তৌখি। লোয়নননা মহাক্লা ঙসি চৎখিবা তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মখা তানা হায়, হৌজিক হৌজিক ইরমদম মণিপুর অসিদা অৱা-অনা কয়া য়াওরকপা মতমদা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনরক্লিবসি অফবা খুন্নাই অমগী মশক ওইরক্লিবনি হায়খি।



Title : Brinjal
By : N. Bidya
Class : I Roll : 16
School : Little Rose School Sagolmang




Title : Little Mermaid
By : Koijam Chingkheinganbi Chanu
Class : IV Sec : A Roll No. : 3
School : North Eastern English School




Title : Apple
By : Laishram Mangal
Class : I Roll : 22
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Table
By : Lamjingba
Class : V Roll : 21
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Bird
By : M. Ningthem
Class : I Roll : 17
School : Little Rose High School, Sagolmang




Title : A Girl
By : Moirangthe Abemma
Class : 5 Roll : 2
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Scenery
By : Ozina Thounaojam
Class : VI Sec: A Roll : 84
School : Catholic School Canchipur




Title : A Dog
By : Sagarika Rajkumari
Class : K.G. Roll : 21
School : Don Bosco School, Chingmeirong




Title : Elephant
By : Seram Malemnganbi Devi
Class : IV Sec: B Roll : 14
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Scenery
By : T. Lanchenbi Chanu
Class : IV Sec: B Roll : 10
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Guard
By : Yumnam Linthoi
Class : I Roll : 15
School : Little Rose School, Sagolmang




Title : Pen Pencil
By : S. Lamnganba
Class : V Sec : B Roll : 36
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Pitcher
By : Lidya
Class : II Sec: A Roll : 8
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Hulk
By : Samuel Kashung
Class : II Sec: B Roll : 40
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Tweety Bird
By : Telheiba
Class: V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Scenery
By : Taizeen
Class : II Roll :

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।